# টৌকিও ওলিম্পিক গেমস কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগীনা ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্লগনি



টৌকিও, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):
চহী অসিগী জুলাই ২৪দগী হৌরদা ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা টৌকিও ওলিম্পিক গেমস কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরকপনা মরম ওইদুনা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা ওইনা পাঙথোক্লগনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্টর্নেনল ওলিম্পিক কমিত্তি অমসুং জপানগী গেমস ওর্গনাইজরশিংনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌবা লোয়খ্রবনি।

মালেমগী ওইনা লৈবাক ২০১ রোমদা কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা চৈথেং পীরবনি। পুন্না ঙসি ফাওবদা মীওই ৮,২৪,২৫৫ লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহল্লবনি মদুগী মনুংদা মীওই ৪০,৬৫৮ শিহনখ্রে অদুগা মীওই ১৭৪,৬৮৪ ফহনখ্রবনি।

খ্বায়দগী য়াম্না শোকহল্লিবা লৈবাক অসি মীওই ১৬৪,৩৫৯ য়ৌখ্রবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকানি। লৈবাক অদুদা মীওই ৩১৭৩ শিরগা মীওই ৫৫০৭ অনাবা অসিদগী ফখ্রে। কোবিদ-১৯না ইটালিগা মীওই ১১,৫৯১ শিহন্দুনা খ্বায়দগী য়াম্বা লৈবাক ওইরি।

ওলিম্পিক গেমসকী য়ুম্মু লৈবাক জপানদা হৌজিক ঙসি ফাওবদা মীওই ১৯৫৩ শোকহল্লবা মতুং মীওই ৫৬ শিহনখ্রে অদুগা মীওই ৪২৪না ফহনবা ঙমখ্রে। টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কমিত্তিগী প্রসিদেনন্ট ওইরিবা য়োসিরো মোরি অমসুং চীফ একজিক্যুটিব ওফিসার টোসিরো মুটোনা ফোঙদোকখিবদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি চহী অমা য়ৈথোকপা অসিনা য়াম্লবা শেলফম (য়ু এস দোলর বিলিয়ন কয়া)মাঙজগদৌরিবনি। হায়রিবা শেলফম অসি লৈবাক অদুগী টেক্স পেয়রশিংনা পুথোক্কদৌরি।

জপানগী কনসাই য়ুনিভর্সিটিগী স্পোর্টস ইকনমিক্সকী প্রোফেসর কাটসুহিরো মিয়ামোটোনা ফোংদোকখিবদা নৌনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক্সকী মতম অসিনা য়ামদ্রবদা য়ু এস দোলর বিলিয়ন ৪ রোম হেন্না চঙলবা য়াই হায়রি।

লৈবাক অদুনা ওফিসল ওইনা ওলিম্পিক্স অসি পাঙথোক্লবগীদমক য়ু এস দোলর বিলিয়ন ১২ চাদিং তৌরিবনি। মসিগী মনুংদা প্রাইবেটলি ফন্দেদ ওপরেটিং বজেটনা দোলর বিলিয়ন ৫.৬ পুথোক্লি। অমরোমদা ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কমিত্তিনা য়ু এস দোলর বিলিয়ন ১.৩ মতেং পীরি।

# ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা নবেম্বর থাদা ফিফা ৱিমেন্স য়ু ১৭ ৱর্ল্ড কপ পাঙথোক্লবা আসা থম্লি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):
চহীসিগী নবেম্বর থাদা ইন্দিয়ানা য়ুম্মু ওইরগা পাঙথোক্কনি হায়না লেপ্লিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবদা ওলিম্পিক্স থারগা অচৌবা ইন্টর্নেসনল টুর্নামেন্ট কয়া য়ৈথোকখ্রবসু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা লায়চৎ অসি লাকশিন্দুনা পাঙথোক্লবগী আসা থম্লি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী সেক্রেটরী কুসল দাসনা ফোঙদোকখিবদা থা ৭ হেন্না লৈরিবা মতম অসিদা ফিফা য়ু-১৭ ৱর্ল্ড কপ অসি মপুং ফানা পাঙথোকপগী চপ চাবা পাঙ্গল লৈরি। অদুবু অরোইবা ৱারেপতি ফিফাগী মায়কৈদগী লৌরক্কদবনি হায়খি।

য়ু-১৭ ৱিমেন্স ফিফা ৱর্ল্ড কপ অসি চহীসিগী নবেম্বর ২দগী ২১ ফাওবা মুম্বাই, কোলকতা, অহমেদবাদ, ভুবনেশ্বর অমসুং গুৱাহাতিদা পাঙথোক্কদবনি। মতমদি মতিক চানা লৈরি। অদুবু কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা হায়রিবা ৱর্ল্ড কপ অসিগী ওইনা য়ুরোপ অমসুং অফ্রিকাগী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কদবা ৱাৎলিবনি।

ফিফানা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক্কী ফুটবোল কনফিদরেসনশিং ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী মতম লেপথোক্লনবা অকনবা মওংদা খন্ন-নৈনরি। মরু ওইনা টৌকিও ওলিম্পিক গেমস অমসুং য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২০ কোবিদ-১৯না মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রবনি।

হৌজিক হৌজিক মালেমগী ওইনা কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শীহনখ্রবা মীশিং ৩৯,০১৯শুহনখ্রবনি। মসিগী মরক্তা ইন্দিয়াগী ওইনা ঙসি ফাওবদা মীওই ১২৫১ লায়চৎ অসিনা শোকহল্লবা মতুং মীওই ৩২ শীহনখ্রে। অদুগা মীওই ১০২না লায়না অসিদগী ফগৎপা ঙম্লে হায়রি। নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াদা কোবিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগী অহানবা কেস অদু চহী অসিগী জন্যুৱারী ৯দা কেরলাদা থেংনখিবনি।

ফিফানা ইন্দিয়াদা লৈরিবা লায়চৎ অসিগী মওং কুপ্পা য়েংশিল্লগা নবেম্বর থাদা ৱর্ল্ড কপ অসি পাঙথোকপা য়াগদ্রা হায়না লোকেল ওর্গনাইজিং কম্মিতিগা পাউ ফাওদোক্লরি।

পুন্না টিম ১৬না শরুক য়াগদবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা এসিয়াদগী নোর্থ কোরিয়া অমসুং জপান ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং ইন্দিয়ানা য়ুম্মু লৈবাক ওইবগীদমক টিম ৩গী পোজিসন খঙবা ঙম্লিবনি।

# ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইরবা বোক্সরশিং লোকদাউন মনুংদা ওনলাইন ট্রেনিং ফংহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):
বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ঙরাংদগী হৌদুনা ওলিম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইরবা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৯ কোবিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈবাক শীনবা থুংনা নুমিৎ ২১নিগী ওইনা লোকদাউন চথরিঙৈ মনুংদা ওনলাইনদা (ভিদিও কনফরেন্সিং)গী খুত্থাংদা ট্রেনিং পীবা হৌখ্রে।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা পীগদৌরিবা ট্রেনিং অসি নুমিৎ খুদিংগী ওইগদৌরিবনি হায়না ফেদরেসন অসিগী প্রসিদেন্ট অজয় সিংহনা ফোঙদোকখি। ইন্দিয়াগী বোক্সিংগী ওইনা লৈরিবা হায় পর্ফোমেন্স দিরেক্টর সান্তিয়াগো নিএভানা নুপা বোক্সর ৫গী কোচ পীগদৌরি। মহাক ন্যু দিল্লিদা নুমিৎ ১৪নিগী ওইবা সেলফ আইসোলেসনগী মতম লোইরদুনা পঞ্জাবকী পতিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা থবকশিং অসি পায়খৎকদৌরিবনি। অমরোমদা নুপীশিংগী ওইনা রাফেল বরগামাস্কোনা থৌদাং অদু লৌগদৌরি।

হৌখিবা থাদা জোর্দান সিটি অমানদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী বোক্সিং পুৱারীগী ওইনা পুন্না বোক্সর ৯ ওলিম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইখি। নুপীগীদা এম সী মোরি কোম (কে জি ৫১), সিমরঞ্জিৎ কোর (কে জি ৬০), লোবলিনা বোরগোহেন (কে জি ৬৯) অমসুং পুজা রানি (কে জি ৭৫)নি। নুপাগীদা অমিত পনঘল (কে জি ৫২), মনিস কোসিক (কে জি ৬৩), বিকাস কৃসন (কে জি ৬৯), অসিস কুমার (কে জি ৭৫) অমসুং সটিস কুমার (কে জি ৯১ মথক)নি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী একজিক্যুটিব দিরেক্টর আর কে সচেতিনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা বোক্সরশিং অসিগী ৱাখলগী পাঙ্গল হন্থহন্দনবা অমদি চিঞ্জাক্কী মতাংদসু মরিল চুম্বা মওংদা চেকশিন্না য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ লাম্থেংননবা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা শান্নরোয় কয়ানা শেলগী মতেং পীনরক্লি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ানা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ লাম্থেংনবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনদা লৈবা শান্নরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী ষ্টেট অমদি অপুনবা লৈবাক্কী ওইনা শেলগী মতেং পীনরক্লি।

মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী ওপনর রোহিত শর্ম্মনা পুন্না ৮০,০০,০০০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মহাক্না লুপা ৪৫,০০,০০০গী শেনফম প্রাইম মিনিষ্টর্স ফন্দ ফোর পি এম কেয়র্সতা, লুপা ২৫,০০,০০০না মহারাষ্ট্র চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা, লুপা ৫,০০,০০০না জোমাটোস কম্যুনিতি ফিদিং ইনিসিএটিবতা অদুগা লুপা ৫,০০,০০০না ৱেলফেয়র ওফ ষ্ট্রেদোক্সতা পীখিবনি। মহারাষ্ট্র ষ্টেটতা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংনা ২৩৮ কনফার্ম কেস লৈখ্রবা মতুং ঙসি ফাওবদা মীওই ১১ লায়না লাইচৎ অসিনা শীহনখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট লিজেন্দ সচিন টেন্দুলকরনা লুপা ৫০,০০,০০০গী শেলগী মতেং পীরকপা অদুনা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা অহানবা ওইখি। লোয়ননা হান্না ক্রিকেট শান্নরম্বা সুরেস রাইনানা লুপা ৫২,০০,০০০গী শেনফম মতেং পীখিবা লৈখ্রবনি।




নাকল অমরোমদা, ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী নুপী টেন্নিস শান্নরোয় সানিয়া মিরজানা লৈবাক শীনবা থুংনা লৈঙাক্লা থমখিবা লোকদাউন মতম অসিগী মনুংদা থেংনরিবা অৱাবাশিং অসিগীদমক্তা চয়োল অমদা লুপা ক্রোর ১.২৫ খোমজিন্দুনা মীওই লাখ ১ রোমদা মতেং পীরগনি হায়খি। হৌখিবা চয়োলদা সানিয়া মিরজা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্ট অমদগী সেয়র তৌখিবা ভিদিও অমদা সাফা হায়না খঙনবা লুপ অসিনা মীয়ামদগী দোনেসন লৌখৎলগা অৱাবা তারবশিংগীদমক্তা মতেং পীবনি হায়রি।

টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা জেবিলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রানা ঙসি সেন্টর অমসুং হরিয়ানা রিলিফ ফন্দদা পুন্না লুপা ৩,০০,০০০গী শেনফমগী মতেং পীখি। লুপা ২,০০,০০০না পি এম কেয়র্সতা অদুনা লুপা ১,০০,০০০ হরিয়ানা কোবিদ রিলিফ ফন্দদা পীখিবনি।

নুপীগী টেবল টেন্নিস শান্নরোয় মনু বাকরনা হরিয়ানা লৈঙাক্লা ঙরাং ষ্টেট অদুদা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯) লায়না লাইচৎ অসি থেংননবা হোৎনবদা লুপা ১,০০,০০গী শেলগী মতেং পীখি। মশাগী চহী ১৮দা শুবদা ঙাইরিবী কম্মনৱেলথ অমদি য়ুথ ওলিম্পিক গোল্ড মেদলিষ্ট মনু বাকর হরিয়ানা ষ্টেটকী ঝাজর দিষ্ট্রিক্টতগী হৌরকখিবনি।

শান্নরোয় খক্তা নত্তনা নেসনল স্পোর্টস ফেদসরেসনশিংনসু লায়চৎ অসি থেংননবা শেলগী মতেং কয়া পীনরক্লি। বি সী সী আইনা লুপা ৫১,০০,০০,০০০গী শেলগী মতেং পীখ্রবনি। রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা লুপা ১১,০০,০০০গী শেলগী মতেং পীখ্রে। লোয়ননা সাইগী ইমপ্লোয়িশিংনা নুমিৎ হুম্নিগী তোলোপ পুন্না লুপা ৭৬,০০,০০০ পি এম কেয়র্স ফন্দদা দোনেসন তৌরকখি।

# সাইনা জে এল এন ষ্টেদিয়ম দিল্লি লৈঙাক্তা ক্বারেন্টাইনগী মফম ওইনবা শীন্নখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):
স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই)না ফোঙদোকখিবদা ন্যু দিল্লিদা লৈরিবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম অসি কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯)না শোকহল্লবা মীওইশিং ক্বারেন্টাইন তৌফম ওইননবা ঙরাং দিল্লি লৈঙাক্তা শীন্নখ্রে।

ঙসি ফাওবদা ন্যু দিল্লিদা মীওই ৯৭ কোরোনাভাইরস (কোবিদ-১৯)না ইনফেক্ট তৌখ্রবনি। অদুগা ইন্দিয়াগী ওইনদি পুন্না মীওই ১২৫১ শুরগা মীওই ৩২ শীহনখ্রবনি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ঙসি ন্যু দিল্লিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেদনা ষ্টেট অদু ক্বারেন্টাইন ফেসিলিটি ওইনবগীদমক জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়ম অদু শীন্নখিবনি। নীংশিংবা য়াবদি লৈবাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা থা অসিগী ২২দা লৈবাক শীনবা থুংদা লৈরিবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরশিংদা ক্বারেন্টাইন ফেসিলিটি ওইহন্নবা লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

ঙসি ফাওবদা মালেমগী ওইনা পুন্না মীওই ৮,২৪,২৫৫ লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহল্লবা মতুং মীওই ৪০,৬৫৮ শীহনখ্রবনি। অদুগা ফগৎখিবা মীওইগী মশিংদা ১,৭৪,৩৫৯ শুখি। মীওই খ্বাইদগী য়াম্বনা য়ু এস এদা ১,৭৪,৬৮৪ নাহল্লি।

# য়ু এস ওপন টেন্নিস শান্নফম ফমুং ৩৫০ লৈবা টেম্পরেরি হোস্পিটাল ওন্থোক্লগনি

ন্যু য়োক, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):
য়ু এস টেন্নিস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা য়ু এস ওপন টেন্নিসকী শান্নফম ওইরিবা বিলি জিন কিং নেসনল টেন্নিস সেন্টর অসিগী শরুক খরা ফমুং ৩৫০ চনগদবা হোস্পিটাল ওইনা শেমগৎলগনি হায়খ্রে।

খোঙথাং অসি মালেম শীনবা থুংনা শন্দোক্লিবা কোরোনাভাইরস লায়না লাইচৎ শন্দোরক্লিবা অসিদা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা অসি য়ুনাইদেট ষ্টেটস ওফ অমেরিকানি। লৈবাক অসিদা ঙসি ফাওবদা পুন্না মীওই ১,৭৪,৬৮৪ লায়না অসিনা নাহনখ্রে। মসিগী মনুংদা মীওই ৩৪০০ শীহনখ্রবনি। অদুগা ফখিবা মীশিংনা ৬২১০নি।

লাইচৎ অসিনা নাহনবগী মায়কৈদা য়ু এস এনা মকোক থোংলবসু অনীশুবদা লৈরিবা ইটালিদা মীওই ১০১৭৩৯ নাহল্লবা মতুং পুন্না মীওই ১১৫৯১ শীহন্দুনা শীবগী মশিং অসি ইটালিনা খ্বাইদগী হেল্লি। লোয়ননা লৈবাক অদুদা মীওই ১৪৬২০ ফংহনবা ঙমখ্রে।

লায়না অসিগী হৌরকফম ওইরিবা চাইনাদা নৌনা নাহল্লপা মীওই মশিং হন্থখিবগা লোয়ননা ৮১৫১৮ লৈরি। মদুগী মনুংদা ৩৩০৫ শীহনখ্রবা মতুং পুন্না মীওই ৭৬০৫২ ফংহনখ্রবনি।



HL-B/6098/4march to 7april



HL-B/6002/15/2-18/4

/ HOUSING LOAN AVAILABLE
(Upto Rs 50 LKHS 12% P/a)

মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লৈবা য়ুম তশেংনা শানীংবা অমসুং ইনকম মতিক চানা লাকপা মীওইশিংগী ওইনা হাওজিং লোন পীজরি। Home Repairing, Renovation, Modular Kitchen, Grazings অমসুং Floor Repairing নচিংবগী লোনগী খুদোংচাবসু লৈগনি। Tiles, Granites, Marbles, Sand অমসুং Cements কী Free Home Delivery Service সু ফংবীগনি।

Mobile Nos. # 8787727402
# 8787530036

Please Contact:- L.G. Construction & Materials Company Pvt. Ltd.
Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West

HL/B/6099/4march to 7 May

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com